# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কাংপোকপী জিলাদা থোকখিবা থৌদোক অমগী ৱাহৌদগী ফুরুপ অনিনা ফাজিনদুনা থল্লুবা মীওইশিং নাকল অনিমকা থাদোকবা হৌরে।

২) মালেমগী কৈথেলদা লুপা কোতি ২১ রোম ওইগদবা ড্রগকা কোন্ননা মীওই ৫ অসামগী কামরুপ জিলাদগী অসাম পুলিসকী স্পেসিয়েল টাক্স ফোর্সনা ফারে।

অমসুং

৩) কেরলমদা কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ভি.দি. সাতিসননা সরকার শেমবা রাজ্যপাল রাজেন্দ্র বিশ্বনাথ আরলেকরদা দাবী তৌখ্রে।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাদা থোকখিবা থৌদোক অমগী ৱাহৌদগী ফুরুপ অনিনা ফাজিনদুনা থল্লুবা মীওইশিং নাকল অনিমকা থাদোকবা হৌরে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ঙরাং নুংথিল নাগানা ফাজিল্লুবা কুকি মীওই অনি থাদোরকখ্রবা মতুং ঙসি অয়ুক কুকি ১৪ অমগা থাদোরকখ্রে। অদুগা কুকিনা ফাজিল্লুবা নাগাগী মীওই ১৪ সু ঙসি অয়ুক থাদোরকখিবনি। মীওই ১৪ অসিগী মনুংদা নুপী ১২ য়াওরি । থাদোরক্লুবা মীওইশিং অদু মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা শিন্নরকপনি হায়রি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুরগী জিলা অনিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকখ্রবা

মতুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্বগী লেপ্তুনা চখুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- জোজাংতেক অমদি নুংসাই পার্ট টু ভিলেজগী এরিয়াদা থোকখিবা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌদোক্তা মীচম অমা লৈখিদবা অমদি অনিবুনা শোকহনখিবা থৌদোক্কী মতুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অসিগী অকোইবদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবগীদমক থি হুন্বগী থবক চখুখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীফা মীপুনগী পাউদি লৈত্রি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি অতৈ আইন্না য়াদবা থবক তৌবা মীওইশিং ফানবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সনা চংশিল্লকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কে.সি.পি (তাইবংঙানবা)গী কাদর অমা থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক লমখায়দগী ফারে। ফারবা মীওই অসি লমশাং লমদেং খুনৌদগীনি হায়রি। মসিদসু নত্তনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তাংখম অৱাং লৈকাইদা লৈবা য়ুম অমদা নোংমৈ কাপশিনবদা চেন্নবা জ্বিনাইল অমা য়াওনা মীওই অনি ফাখ্রবা মতুংদা মফম অদুদগী নাইন এম.এমগী নোংমৈ মরু মঙা, এমতি কেস মরি য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়াসু ফাগৎলে হায়রি।

ড্রগ (এল)ঃ মালেমগী কৈথেলদা লুপা কোতি ২১ রোম ওইগদবা ড্রগকা কোন্ননা মীওই ৫ অসামগী কামরুপ জিলাদগী অসাম পুলিসকী স্পেসিয়েল টাক্স ফোর্সনা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- মণিপুরগী ক্বাক্তাদগী বস অমদা ড্রগশিং অসি অসাম তমা পুশিল্লকখ্রে হায়বা পাউ ফংবদগী কামরুপ দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি স্পেসিয়েল টাক্স ফোর্সকী কাংবু অদুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা হায়রিবা ড্রগশিং অসি ফাগৎখিবনি। ফারবা মীওইশিং অসি মণিপুরদগীনি। মখোয়দগী সাপোন কেপ ১৯৭ দা হাপ্তুনা পুরকপা হিরোইন কিলোগ্রাম ২ গ্রাম ৫৬০ অমদি ওপিয়ম কিলোগ্রাম ৮ ফাগৎখি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মানা

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- কামরুপ পুলিস অমদি এস.টি.এফ অসামনা কন্না হোৎনদুনা য়াম্লবা ড্রগশিং অসি ফাগৎপা ঙমখিবনি। এন্তি নার্কোতিক্স ওপরেসনগী মনুং চন্না অককবা পাউ ফংবদগী য়ুমথংনবা রাজ্য অমদগী লাকপা বস অমদগী য়াম্লবা ড্রগশিং অসি ফাগৎখিবনি।

হেলিকোপ্তর (এল)ঃ মণিপুর হেলি সার্ভিসকী মখাদা লৈরিবা হেলিকোপ্তর সার্ভিসশিং হান্নগী লৈবা মতম অদু চৎনররোই, অনৌবা মতম অমা থোকখ্রে।

রাজ্যগী ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- চয়োল অমগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা রুটশিংদা হেলিকোপ্তরশিং নুংতিগী পাইগনি। ইম্ফালদগী জিরিবাম, উখ্রুল, চুরাচান্দপুর, তমেংলোং, মোরে, লাইরৌ চীংনচিংবা মফমশিংদা পাইগদবা হেলিকোপ্তর সার্ভিসশিংগী অনৌবা মতম ঙসিদগী চৎনবা হৌগনি। হেলিকোপ্তর সার্ভিসশিংগী টিকেৎ ককপা য়াওনা অকুপ্পা মরোল হেলি সার্ভিস দোট মণিপুর ত্রান্সপোর্ট দোট গোভ দোট ইন-দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা টি.বি. মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মতাংদা হেলথ এৱারনেস সেসন অমা তেংনৌপল জিলাদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি লৈবাক অসিদগী টি.বি. লায়না মরু ফংনা মুখৎনবগী পান্দমদা চংশিল্লকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি। মসিদা টি.বি. লায়না অসি করমা ঙাকথোক্কনি, লায়না অসি অহানবা হৌরকপদা উৎলকপা লাইওংশিংগী মতাংদা অমদি মশা মউ ফনা লৈবনা টি.বি. লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসিগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তেংনৌপল জিলাগী চোংজাং, সিতা অমদি চভাংফাইদা যোগ এৱারনেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অসি চহি অসিগী মালেমগী যোগ নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী লৈননা নুমিৎ ১০০ নিগী থৌরম পরেংগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি। মীয়াম্বু মশা মউ ফনা থমবগী পান্দমদা পাঙথোকপা সেসন অদুদা অসাম রাইফলসকী ট্রুপ ১২৫,

খুলশিং অসিগী নহাশিং, মহৈরোইশিং অমদি খুঞ্জাশিংনা শরুক য়াখি।

কাউন্সিল (এল)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসন ২০২৬ কী পাউখুম চে অমুক হন্না চ্যেক তৌবগী রিজল্ট কাউন্সিল ওফিসতগী লৌবা য়ারগনি হায়না কোসেমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। রিজল্টশিং অসি ঙসি অয়ুক পুং ১০ দগী হৌদুনা নুংথিল পুং মরি ফাওবগী মনুংদা ওফিস অসিদগী পীগনি হায়রি।

অমরোমদা, কোসেমনা লৌবা হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসন ২০২৬ কী ইন্সপ্রুভমেন্ট একজামিনেসন পাঙথোক্লগনি। কোসেমগী সেক্রেতরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- পরিক্ষা অসিগী থিওরি সবজেক্টশিং থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কনি। অদুগা প্রাক্তিকেলনা থা অসিগী ২৮ অমদি ২৯ দা পাঙথোক্কনি। একজামিনেসন সেন্তর অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি।

কেরলমঃ কেরলমদা কংগ্রেসকী সি.এল.পি লুচিংবা ভি.দি. সাতিসননা সরকার শেমবা রাজ্যপাল রাজেন্দ্র বিশ্বনাথ আরলেকরদা দাবী তৌখ্রে। শ্রী সাতিসনবু লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রাজ্য অদুগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরবা য়াই হায়রি।

নিংশিংবা য়াই, ঙরাং তিরুভনন্তপুরমদা পাঙথোকখিবা কংগ্রেস লেজিসলেতিভ পার্তিগী মীফম শ্রী সাতিসনবু মখোয়গী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি। তুংদা, নিউ দিল্লিদা লৈবা কংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবশিং শ্রী সাতিসনগী কেরলমগী লেজিসলেতিভ পার্তিগী লুচিংবা ওইনা খল্লে হায়না লাউথোকখিবনি।

অমরোমদা, কেরলমগী মুখ্য মন্ত্রি পিনারাইয়ি ভিজায়নবু সি.পি.এম লেজিসলেতিভ পার্তিগী লুচিংবা ওইনা খনখ্রে।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক মঙাগী নুমিৎ তরুকনিগী ওইবা খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটস (য়ু.এ.ই),

নেদরলেন্স, স্বিদেন, নোরৱে অমসুং ইতালিদা চৎকনি।

প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী অহানবা শরুক্তা ঙসি য়ু.এ.ইদা থুংগনি। তুংদা, য়ু.এ.ইগী রাস্ত্রপতি-সৈখ মোহম্মদ বিন জয়েদ অল নহয়ানগা উন্নগনি। শ্রী মোদি অমসুং য়ুনাইতেদ আরব ইম্মিরেটসকী রাষ্ট্রপতি সৈখ মুহামদ বিন জায়ট অল নহয়ানগা অবুদাবিদা হয়েং উন্নগদৌরিবা অসিদা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নগনি হায়রি।

স্পোর্টস (এল)ঃ উত্তর প্রদেশতা পাঙথোকখিবা অহানবা ইন্তরনেসনেল ইন্দো-নেপাল চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ তা মণিপুরদগী মাষ্টর থোকচোম তরুনকুমার মৈতৈনা সনাগী তকমান লৌরকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট মার্সিয়েল আর্ট একাদমি শঙাইপ্রৌনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরগী জিলা অনিদা থোকখিবা এম্বুসকী পাউ, ফুরুপ অনিগী মীওইশিং ফাজিন্নখিবগা পাউ অমদি চীফ মিনিষ্টরনা আই.দি.পি মহৈরোইশিংদা ৱান টাইম গ্রান্ট য়েন্থোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

কুকি অমসুং নাগাগী পুন্না মী ৩৮ হেন্না নাকল অনিনা ফাজিনদুনা থম্লি, থাদোরকবা ৱারী শান্নরি হায়বা হোম মিনিষ্টরগী ৱাফম পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরে।

নহারোলগী থৌদাংদা লৈঙাকা অৱাৎ অপা ফনা মেল্লবসু য়ুমদা চংবা য়াদবা হায়বসি মীওইবগী খ্বাইদগী ৱাবা তাঙ্ককনি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা চীফ মিনিষ্টরনা কাংচুপ চীংখোঙদা লৈবা আই.দি.পিশিংগা উন্নখ্রে, য়ুমদা হঞ্জিনহনগনি হায়না থাজবা পীরমখ্রে। জোজাংতেক এটেক্তা শোক্নুনা লৈরিবা ভিক্তিমশিংগা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নখিবগী

পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেন্তর অমসুং ষ্টেটকী থৌওংদা কংগ্রেসনা হায়- শিনিং শিজো, হাৎনিং হাৎনজো হায়দুনা তুমিন্না লৈশিল্লে হায়বসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী এনকর কলমদা ফোংলে।

আই.দি.পি. মহৈরোই ৭৫৪ দা ৱান টাইম গ্রান্ট য়েন্থোকখ্রে হায়বসিনা সনালৈমাক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলে।

লৈখিদ্রবা ৱিলসনগী হকচাং পি.এম. একজামিনেসন তৌখ্রে, চেন্নবা ফাদ্রিবা ফাওবা হকচাং লৌখিরোইদৌরি হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা আই.দি.পিশিংবু মশা মশাগী য়ুমদা অমুক হন্না খুন্দা লৈতাহনগনি হায়না থাজবা পীরমখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চথখিবা এম্লুস অমদি মীওই কয়া ফাজিনখিববু দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখো য়াওনা তোঙান তোঙানবা বোদি কয়ানা য়ানিংদবা ফোংদোকরকপগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী এনকর কলমদা ফোংলে।

জোজাংতেক এম্লুসতা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংশিংগা হোম মিনিষ্টর অমদি নাগা এম.এল.এশিংগা জেনিমসতা উন্নখিবা পাউ গানফিউ মেলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরে।

তমেংলোং টাইমসতা চর্চ লিদর হাৎখিববু নাগা ওর্গনাইজেসন কয়ানা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি, কুকি মিলিটেন্টশিংনা ফাজিনদুনা থল্লিবা নাগাশিংবু থাদোরকবা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা য়ু.এন.সি অমদি জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিলনা অককবা মতম থাখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মে ১৫ গী অয়ুক পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা ফাজিনদুনা থমখিবা কুকি ৩১ তেক্ত-কাইদনা শিন্নগদবনি হায়না কুকি ইনপীনা মতম থাখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------